হুইয়েন লানপাও

Refreshingly Readable

The messenger of the masses

নুমিৎ নীনি চথগদবা ১২শুবা মণিপুর য়ুনিভর্সিটি ইন্টর কোলেজ লিটরেরী মিট-২০১৭ মণিপুর য়ুনিভর্সিটিগী সেন্টিনরি হোলদা হৌদোকপগী শক্তম

লামায় ১

সেন্টর ফোর ওন্ট্রা-প্রেন্যুর্শিপ এন্দ স্কিল দিভলপমেন্ট স্কুল ওফ সোসল সাইন্সেস, এম য়ুনা শীন্দুনা ৱর্ল্ড টুরিজম দেগা মরী লৈননা পাঙথোকপা পেন্টিং কম্পিটিসন

এম সী আইনা য়াদে হায়দুনা মতম শাংনা থিংজিন্দুনা লাল্লবা পোং লম্বী নৌনা হাংদোকপগী রিবন খুরাই এ সীগী এম এল এ সুসিন্দ্রোনা ককপগী শক্তম

লামায় ১

লাইব্রেরী এন্দ ইনফোর্মেসন সেন্টর ককচীংনা শীন্দুনা মীথোই মীহেল্লবা মহৈরোয়শিং, লম কয়াদা থোইদোক হেন্দোক্লবা মীওই-শিংদা মনা পীবা

লামায় ৩

Vol. 41, Issue No.181 নিংথৌকাবা, মেরাগী ৫নি পানবা, অপুনবা লামায় মশিং ১২ HUEIYEN LANPAO, Monday, September 25, 2017, Imphal www.hueiyenlanpao.com RNI No. 40746/1978 ₹ 4.50

মীতৈ/মৈতৈবু সেদ্যুল্ড ট্রাইব লিষ্টতা চলহন্নবা ফমখিবা মীয়ামগী অচৌবা মীফম

‘রেকমেন্দেসন ওক্টোবর ২০ ফাওবদা থাগদবনি’

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ২৪ (ঐচএন এস): মীতৈ/মৈতৈবু লৈবাক অসিগী সেদ্যুল্ড ত্রাইবকী লিষ্টতা চলহনগদবনি হায়বা দিমান্দগী শরুক অমা ওইনা ঙসি সেদ্যুল্ড ত্রাইব দিমান্দ কম্মিটি, মণিপুর (এস টি দি সী এম)না শীন্দুনা ঙসি পেলেস কম্পাউন্দদা লৈবা ইবোয়াইমা শুমাং লীলা শঙলেন্দা মীয়ামগী অচৌবা মীফম অমা ফমখ্রে।

মীফম অদুদা ৱারেপ অনীখক লৌখি। ৱারেপশিং অদুদি অহানবা- মণিপুর গভর্ণমেন্টনা মীতৈ/মৈতৈবু এস টি লিষ্টতা চলহন্নবা ষ্টেট লৈঙাক্কী রেকমেন্দেসন গভর্ণমেন্ট ওফ ইন্দিয়াদা লাক্লিবা ওক্টোবর ২০ ফাওবগী মনুংদা থাগদবনি অমসুং অনীশুবা- মথক্কী ৱারেপ নম্বর-১দা পীরিবা মতমগী মনুংদা মণিপুর লৈঙাক্লা থবক্তা ওন্থোক্ত্রবদি মখল মখা কয়াগী অকনবা খোঙজং চঙশিন্নবা অমত্তা ওইনা লেপ্পরে হায়বসিনি।

থৌরম অদু সেদ্যুল্ড ত্রাইব দিমান্দ কম্মিটি, মণিপুরগী প্রসিদেন্ট য়ুম্নাম মোহেন্দ্র, এস টি দি সী এমগী ৱার্কিং প্রসিদেন্ট মোইরাংথেম নোংদালেন-খোম্বা, এস টি দি সী এমগী জেনরেল সেক্রেটরি লাইশ্রম লোকেন্দ্র অমদি এস টি দি সী এমগী ভাইস-প্রসিদেন্ট পি সোনামনিনা মথংশিংনা ময়ায় তাংবল লৌদুনা পাঙথোকখি।

মীফম অদুদা এস টি দি সী এমগী পল্লিসিটি সেক্রেটরি দল্লিয়ু আনন্দনা হায়খি, সেদ্যুল্ড ত্রাইব দিমান্দ কম্মিটি, মণিপুরনা মীয়ামগা লোয়ননা মীতৈ/মৈতৈবু লৈবাক অসিগী কন্সটিট্যুসনগী আর্টিকল ৩৪২ (১)গী মখাদা এস টিগী লিষ্টতা চলহন্দুনা য়েলহৌমী ফুরুপ অমা ওইবগী মশাগী শক্তম কঞ্জনবা ঙাক্লৌ পীয়ু হায়বসি মীয়ামগী দিমান্দনি। কম্মিটি অসিনা লানখৎখিবা মেমোরেন্দম অমগী পাউখুম ওইনা কুমজা ২০১৩গী মে ২৯দা ইন্দিয়া গভর্ণমেন্টনা মণিপুর লৈঙাক্তা মথৌ তাবা দোকুমেন্টশিংগা লোয়ননা রেকমেন্দেসন থারকউ হায়না চে ইরকখিবা লৈখ্রে। অদুবু ঙসি ফাওবা মণিপুর লৈঙাক্লা পাউখুম অমত্তা পীবিদনা লৈরি।

মহাক্লা মখা তানা হায়খি, মণিপুরদা বি জে পিগী চুংশিন্নবা অনৌবা লৈঙাক অমা লিংলবা তুংদা পাঙথোকখিবা মণিপুর লেজিসলেটিব এসেমব্লিগী মীফমদা হংলকখিবা ষ্টার ক্বেসন অমগী পাউখুম পীরদুনা চীফ মিনিষ্টরনা সেদ্যুল্ড ত্রাইবকী দিমান্দ অসি য়েংশিনগনি হায়না ফোঙদোকখিবা লৈখ্রে। ওইরক্লিবা ফীভম অসি য়েংলগা মীতৈ/মৈতৈ মীয়াম অমত্তা ওইনা পুনশিন্নদুনা অকক্লবা মতম অমগী মনুংদা লৌখৎফম থোকপা থবকশিং লোইশিল্লগা ইন্দিয়া লৈঙাক্কী ৱারেপ অমা লৌহন্নবা মীয়াম পুন্না তকশিনমিন্নবগী তঙাইফদবা লৈরে।

কম্মিটি অসিগী জেনরেল সেক্রেটরি লাইশ্রম লোকেন্দ্রনা হায়খি, মীতৈ/মৈতৈশিং কুমজা ১৯৩১গী মীকোক থিবদা সেদ্যুল্ড ত্রাইবকী লিষ্টতা য়াওবনা কুমজা ১৯৫০গী সেদ্যুল্ড ত্রাইব লিষ্ট শেম্বদা মশানা য়াওফম থোকই। অদুবু মীতৈদি মতম অদুদা হিন্দুগী অকনবা চৎনবী অমদি মতমদুগী খুন্নাইগী চৎনবী ইথিল কনবনা য়াওজরোই হায়দুনা জেনরেল কাঙলূপ্তা লৈখিবগী ৱাফম মীয়াম্না খঙনরে।

হায়রিবা ইথিল অদু অসুক্কী মতিক কনখিবনা মশা মশাবু কাউথোক্কুনা অর্য্যানি, হিন্দুগী মহাভারত্তা য়াওবা অর্জুনগী চাদা নাওদনি হায়বা ফাওবা ক্লেম তৌখিবা পূম্নমক্কা খঙনরবা ৱাফমনি। পূম্নমক অদুগী মহয়না ঙসিগী মীরোলনা অৱাবা কয়া মায়োক্নরি অমসুং সেদ্যুল্ড ট্রাইব ওইনা লাকপা অমদি ওইফম থোকপশিং মত্তুনা লৈরি।

মীতৈনা মণিপুরগী য়েলহৌমীনি হায়জরগসু সেদ্যুল্ড ত্রাইবকী লিষ্টতা য়াওহৌদবনা কন্সটিট্যুসনগী ৱাহন্থোক অমদি ঙাক্লৌ অমত্তা ফংদনা ইন্দিয়াদা পুল্লকখি। ঐখোয়গী পুৱারী, লৈঙাক্কী রেকোর্দশিংনা ময়েক শেংনা তাক্লে মদুদি ঐখোয় ফীভম শোক্লে, হৌগৎপা ঙমদবগী ফীভমদা লৈরে। মরম অদুনা মীতৈ/মৈতৈশিং মণিপুরগী য়েলহৌমী অমা ওইনা সেদ্যুল্ড ত্রাইব লিষ্টতা চনগদবনি হায়বা ৱাকৎ অসি য়েংননিংঙাই লৈতে।

থৌরম অদুদা ন্যু দিল্লিদা লৈবা ইন্সটট্যুট অমদা লেকচরর ওইবা নিঙোম্বম ভোপেন্দ্রনা হায়খি, কুমজা ২০১৩দগী হৌনা এস টিগী দিমান্দ অসি তৌরকখি। মতমদুদা প্রাইম মিনিষ্টর ওইরম্বা ডা. মনমোহনগসু উনদুনা ৱাকৎ কয়ামরুম থাঙ্গৎখি। অদুবু ঙসি ফাওবা মশক থোকপা থবক্তি অমফাওবা উদ্রি। অদুবু আসাম ষ্টেটকীদি তোঙান তোঙানবা কাঙলূপ খরা এস টি ওন্নবা ৱারেপ লৌজবগা লোয়ননা থবক্তা ওন্থোকপীনবা সেন্টরদা তকশিনখিবা লেপ্খ্রে। ঐখোয়না করিগীদমক্তা শোথদুনা লৈহৌরিবনো হায়বসি পুন্না খন্নমিন্নরগা থবক্তা ওন্থোকপীনবা প্রেসর পীবগী তঙাইফবা লৈ।

কুমজা ২০১৩ দা ইন্দিয়া গভর্ণমেন্টদা পীখিবা এস টি দিমান্দ অদু ঙসি ফাওবা ফংবা ঙমদনা লৈরি। প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা লূচিংবা গভর্ণমেন্টনা হন্দক্তসু লৈবাক অসিদা চৎনরম্বা ও বি সীগী চাকথুং লৌ-থোক্লবা নেসনল বেকৱার্দ ক্লাসেস অমা ওইনা কম্মিসন অমা শেম্নবা হোৎনরি। সেন্ট্রেল গভর্ণমেন্টনা পায়খৎলিবা থৌরাং অসিনা মথং চহীদগীদি হান্না ও বি সী চাকথুং ফংলে হায়দুনা নুংঙাইরম্বশিং অদু মখা তানা ফংবগী ...মখা লামায় ৩ কলম ৪

লৌখিবা ৱারেপশিং :

অহানবা-মণিপুর গভর্ণমেন্টনা মীতৈ/মৈতৈবু এস টি লিষ্টতা চলহন্নবা ষ্টেট লৈঙাক্কী রেকমেন্দেসন গভর্ণমেন্ট ওফ ইন্দিয়াদা লাক্লিবা ওক্টোবর ২০ ফাওবগী মনুংদা থাগদবনি।

অনীশুবা-মথক্কী ৱারেপ নম্বর-১দা পীরিবা মতমগী মনুংদা মণিপুর লৈঙাক্লা থবক্তা ওন্থোক্ত্রবদি মখল মখা কয়াগী অকনবা খোঙজং চঙশিন্নবা অমত্তা ওইনা লেপ্পরে।

মীতৈ নুপী অমা ফোরেনরনি হায়দুনা আগ্রাগী মোন্যুমেন্টতা চঙহনখিদ্রে

ন্যু দিল্লি, সেপ্টেম্বর ২৪ (এজেন্সী): মপান লৈবাক্তগী লাকপা মীতোপনি হায়না লৌরদুনা অসামগী মীতৈ নুপী অমবু টিমট-উদ-দৌলাহগী টোম্বদা চঙহনখিদ্রে।

থৌদোক অসি হৌখিবা ইরাই নুমিৎতা থোকখিবনি। মঞ্জিতা চনু কৌবী নুপী অদুনা মমান্নবা খরগা লোয়ননা আগ্রাগী নেসনল মোন্যুমেন্ট য়েংবা লাকপদা সিক্যুরিটি গার্দনা ইন্দিয়াগী সিটিজননি হায়বা উৎনবা শক্তাক চে পুথোরক্লবা খঙহল্লকখি।

মঞ্জিতা চনুনা আগ্রাদা থেংনখিবা খূদোংচাদবা থৌদোক অদুগী মতাংদা মরিক চুম্বা ৱাফম ফেসবুক্তা থাগৎতুনা মীয়ামদা ময়েক শেংনা খঙহনখি। মহাক্লা হায়খি, হিন্দি লোল নীংথিনা ঙাঙবগা লোয়ননা ইন্দিয়াগী সিটিজননি হায়না কয়ারক হন্না ফোঙদোক্লবসু সিক্যুরিটি গার্দনা নেসনল মোন্যুমেন্টকী মনুংদা চঙহনখিদে। গেট ঙাক্লম্বা সিক্যুরিটি পার্সনেল অমনা চেক তৌনবা হোৎনরকপদা নুপী পার্সনেল অমদা চেক তৌহনগদবনি হায়না মঞ্জিতানা ফোঙদোকখি। অদুবু, নুপী সিক্যুরিটি অমত্তা লৈতবা মরম্না চেক তৌদ্রবদি চঙবা য়ারোই হায়না মহাকপু মোন্যু-মেন্ট মনুংদা চঙহনখিদবনি হায়রি।

থাউগী মমল

ইম্ফাল ইষ্ট অমসুং ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্ট

পেট্রোল : লিটরদা লুপা ৬৮.৫৭
দীজল : লিটরদা লুপা ৫৬.৯৪

ইন্টর কোলেজ লিটরেরী মিট হৌখ্রে

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ২৪ : নুমিৎ নীনি চথগদবা ১২শুবা মণিপুর য়ুনিভর্সিটি ইন্টর কোলেজ লিটরেরী মিট-২০১৭ ঙসি মণিপুর য়ুনিভর্সিটি (এম য়ু)গী সেন্টিনরি হোলদা হৌদোকখ্রে। মণিপুর য়ুনিভর্সিটি ষ্টুদেন্টস য়ুনিয়ন (মুসু)না শীন্দুনা নেসনেলিজম অমদি পেট্রোইটিজম হায়বা থিমদা পাঙথোকখিবা থৌরম অদুদা এম য়ুগী মখাদা লৈবা তোঙান তোঙানবা কোলেজশিংগী মহৈরোয়শিংনা শরুক য়াখি। লিটরেরী মিট অদু হৌদোকপগা মরী লৈননা মুসুগী প্রসিদেন্ট বুচি ময়াংলম্বমনা হায়খি, থৌরম অসি মরুওইনা লমদম অসিদা লৈরিবা মহৈরোয়শিংদা মরৈবাক নুংশিবগী ৱাখল্লোন শাগৎনবগী পান্দমদনি। হয়েং ফাওবা চথগদৌরিবা থৌরম অসিদা লৈবাক নীংবা ঈশৈ অমদি শৈরেং শৈদান্নবনা মপুং ওইবা থৌরম ওইগনি।

চান্দেল দিষ্ট্রিক্ট বন্দ

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ২৪ : নাগা চীফ এসোসিয়েসন অমসুং কুকি চীফ এসোসিয়েসন চান্দেলনা থা অসিগী ২২ দা জিওন ভিলেজ ওথোরিটি ওফিস চান্দেল দিষ্ট্রিক্টতা মীটিং অমা পাঙথোক্তুনা লৌখিবা ৱারেপকী মতুংইন্না সেপ্তেম্বর ২৫ গী অহিং নোংয়াইদগী সেপ্তেম্বর ২৭ কী অহিং নোংয়াই ফাওবা চান্দেল দিষ্ট্রিক্টতা নুমিৎ নীনিগী ওইবা টোটেল বন্দ কৌখ্রে। এম জি-এন আর ঈ জি এসকী ৱেজেসশিং কুমজা ২০১৬-১৭ গী অহানবা ফেজগী মণিপুর গভর্নমেন্টনা ...মখা লামায় ৩ কলম ২

অ ঈং-অশাগী পাউ

মফম	খ্বাইদগী শাবা	খ্বাইদগী ঈংবা
বিষ্ণুপুর	৩২.৩৯ °C	২১.৪৬ °C
চান্দেল	৩৫.৭১ °C	২৫.৩৫ °C
সীসীপুর	এন এ °C	এন এ °C
ইম্ফাল	৩৪.২৯ °C	২২.১২ °C
সেনাপতি	৩৩.৬৩ °C	২১.১৫ °C
তমেংলোং	এন এ °C	এন এ °C
থৌবাল	৩৩.৯৮ °C	২১.৪৮ °C
উখ্রুল	২৬.৮৫ °C	১৬.৫২ °C
মণিপুর	৩৫.৭১ °C	১৬.৫২ °C

মণিপুরগী নোংজুগী চাং : ০.০৩ এম এম
নুমিৎ থোকপা : অয়ুক পুং ৫.০০
নুমিৎ তাবা : নুংথিল পুং ৫.২১
দিরেক্টোরেট ওফ ইনভাইরোনমেন্ট,জি ও এম

গ্যাসকী পাউ লামায় ৩দা ফংবিগনি

নাইট প্লাজা ওক্টোবর ২দগী লোঞ্চ তৌরগনি

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ২৪ (ঐচএন এস) : মণিপুরগী মীয়াম অমদি লম কোয়রকপা মীওইশিংনা ঙাইহাক পোত্থাজনবগীদমক ওক্টোবর ২দা ষ্টেট গভর্ণমেন্টনা কংলাপাৎ মনাক্তা রাজ ভবন মপাদগী পি দল্লিয়ু দি মপা ফাওবদা লৈরিবা মফমদা নাইট প্লাজা অমা লোঞ্চ তৌরগনি হায়না মহুদ অমদি টাউন প্লানিং মিনিষ্টর টি ঐচ শ্যামকুমারনা ফোঙদোকখ্রে।

ওল্ড সেক্রেটরিয়েটকী কনফরেন্স হোলদা পাউমীশিংগা উনখিবা অমদা মিনিষ্টরনা হায়খি, থাংজ অমসুং নোংমাইজিং নুমিৎ খূদিংগী নুমিদাং পুং ৭তগী পুং ১০ ফাওবা নাইট প্লাজা হাংগনি। মসিগীদমক এন্ত্রি ফী লৌরোই। মণিপুর সঙাই ফেষ্টিবেল মনুংদদি নুমিৎ খূদিংগী হাংগনি। নাইট প্লাজা হাংবগী থৌওং অসিনা সিটিদা লল্লোন-ইতিক তৌবগী মতম শাংদোকহন্দুনা ষ্টেটকী শেন্মীৎলোন ফগৎহনবদা মতেং ওইনরগনি হায়না মহাক্লা মখা তানা ফোঙদোকখি।

মীপুম খূদিংমক মশা মশাগী ইমুং-মনুংগী মীওইশিংগা লোয়ননা নাইট প্লাজাগী মহাও খঙবীনবা আপিল তৌরদুনা মহাক্লা হায়খি, দিপার্টমেন্টকী অকক্লবা গাইদ লাইন মখাদা লৌখৎকদৌরিবা থৌরাং অসি মায় পাকহন্নবা হোৎনবদা মীপুম খূদিংমক্লা মপুং ফাবা কোওপরেসন পীবিয়ু।

এদিসনেল চীফ সেক্রেটরি (মহুদ) ডা. জে সুরেশবাবুনা হায়খি, সেল এন্দ ইন্টরটেনমেন্ট অমদি ফুদ হায়দুনা ষ্টোল মখল অনী লৈগনি। টেম্পরেরি/প্রোটেবল ষ্টোল ওপরেটরশিংনা অচংবা পোৎলম পুজরক্লগা মশাগী ষ্টোল শেমজগনি। মীয়াম্না চথোক চৎশিন তৌবদা খুদোংচানবগীদমক ইলেক্ট্রিক পোল অনীগী মরক্তা ষ্টোল অনী লৈগনি। কোন-লিক ফেংনবগী খুদোংচাবা লৈরোইদবা...মখা লামায় ৩ কলম ২

মহুদ মিনিষ্টর টি ঐচ শ্যামকুমার

মীওই লীশিং তরেৎ লোম্না লমশাং লমজেল চেনখ্রে

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ২৪ (ঐচ এন এস) : মতিং লৈবা, তিঞ্জং কায়জংদবা মীরোল অমা শেমগৎনবগী পান্দমদা য়ুনাইটেদ পিপলস ফ্রন্ট (য়ু পি এফ) মণিপুরনা শীন্দুনা ঙসি মীওই ৭,০০০ লোম্না শরুক য়াদুনা ১১রকশুবা মেগা মরাথোন (লমশাং লমজেল) চেনখ্রে।

নুপী অমসুং নুপা পুন্না শরুক য়াদুনা পাঙথোকখিবা লমশাং লমজেল অদু ঙসি অয়ুক পুং ৮.৩০ রোম তাবদা খুমন লম্পাক স্পোর্টস কমপ্লেক্সকী মেন ষ্টেদিয়মদগী স্পোর্টস মুভমেন্ট কম্মিটিগী কনভিনর আর কে রনেন্দ্রজিৎনা লমথাখি।

নুপী অমসুং নুপা কাঙলূপকী ওইনা অথোই অহেন তান্নবগী লমশাং লমজেল অদুদা নুপাগী ওইনা এ এস আই পুনেগী শান্নরোয় লাইথাংবম রঞ্জননা মকোক তাখি। উখ্রুলগী ফালু ভীলেজদগী সোমোং রমননা অনীশুবা অমসুং খুন্দ্রাকপমদগী খুন্দোংবম রোমাজিৎনা অহুমশুবা তাখি।

নুপীগী কাঙলূপতনা লুৱাংশংবমদগী নোংথোম্বম চাওবা দেবীনা অহানবা, মণিপুর পুলিস স্পোর্টস ক্লবকী কোন্সম বিবিচানা অনীশুবা অমসুং লিলোংদগী মিস অজিমানা অহুমশুবা তাখি।

মকোক মথং তাখ্রবশিংদা হোর্টিকলচর এন্দ সোইল কঞ্জার্বেসন মিনিষ্টর টি ঐচ শ্যামকুমারনা মনা মথুমশিং য়েন্থোকখি। অহানবা তাবদনা লুপা লীশিং ৪০, অনীশুবা তাবদনা লীশিং ৩০ অমসুং অহুমশুবা তাবদনা লুপা লীশিং ২০ পীখি। থৌরমদুদা য়ু পি এফকী প্রসিদেন্ট এস রতনকুমারসু শরুক য়াখি।

HL POLL

Q : Indo-Myanmar borderda loukhatliba cheksin thourangsing penningai oi haina louba yabra?

POLL CLOSES AT MIDNIGHT

Yes ☐ No ☐

Vote thadanabagidamak www.hueiyenlanpao.com da visit toubiyu

NGARANG GI RESULT

Q : Meitei/Meetei schedule tribe listta chalhanbagi demand sougatfam thok-e haina loubra?

Yes 86% No 14%

প্রভিশ লৈখিদবগী মতাংদা এন বিরেননা য়ু পিগী সী এম উনগদৌরি

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ২৪ (ঐচএন এস) : উরিপোক অচোম লৈকায়দগী প্রভিশ চনম কৌবা চহী ২২ খক্তমক ঙাইরিবা নুপামচা অমা য়াম্না চিংননিংঙাই ওইবা মওংদা গ্রেটর নোইদাদা শিখিবগী মতাংদা হয়েং নুমিদাংৱাইরম পুং ৬তা চীফ মিনিষ্টর নোংথোম্বম বিরেননা মহাক্না ফম মান্নবা উত্তর প্রদেশকী চীফ মিনিষ্টর যোগি অদিত্যনাথকা উনগদৌরি।

ন্যু দিল্লিদা লৈবা য়ু পি ভবন্দা চীফ মিনিষ্টর অনী উনবদা মীশি অসিগী চপ চাবা লংলা-লংজিন পুথোকপা ঙম্নবা অমসুং ঈ-পাউ অমত্তা পীরম্বা তৌদনা অশিবা হকচাং পোৎলোই-থোকখিবগী মতাংদা থিগৎপীনবসু মণিপুরগী চীফ মিনিষ্টরনা তকশিনগনি।

লৈখিদ্রবগী ইমুং-মনুং অমসুং মণিপুরী ষ্টুদেন্টস এসোসিএসন দিল্লিগী মেম্বরশিংগা উনদুনা ৱারী শানখিবদা চীফ মিনিষ্টরনা হায়খি, থৌদোক অদু লাইবক থীবনি। হীরম অসিগী মতাংদা চমম্বা ৱাফম কয়ামরুম লৈবনা মপুং ফাবা ইনভেষ্টিগেসন অমা চথনবা য়ু পিগী চীফ মিনিষ্টরদা তকশিল্লগনি।

পনবা য়াবদি, সেপ্টেম্বর ৮দা গ্রেটর নোইদাদা পাঙথোকপা ইন্দিয়ন এক্সপোজিসন মার্কতা মমান্নবা অহুমগা লোয়ননা ম্যুজিক কন্সর্ট অমা য়েংবা চৎখিবা প্রভিশ মফম খঙদনা মাঙখিবনি। ৱাথোক অদুগী অশেংবা খঙনবা মণিপুর পুলিসকী এ দি জি পি প্রমোদ অস্থানাসু নোইদাদা লৈরি।

এম এল এ সুসিন্দ্রোনা পোং লম্বী হাঙদোকখ্রে

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ২৪ (ঐচ এন এস) : মমাংগী কোংগ্রেস গভর্নমেন্টকী মতমদা কুমজা ২০১০ দা এম সী আইগী রুলসকী মতুংইন্ননি হায়দুনা থিংজিন্দুনা লাকখিবা জেনিমসকী মমাংদা চৎপা লম্বী পোং লম্বী হায়না খঙনরিবা অসি ঙসি খুরাই এ সীগী এম এল এসু ওইরিবা হোমগী পার্লিয়া-মেন্টরি সেক্রেটরি এল সুসিন্দ্রোনা ওফিসল ওইনা হাঙদোকখ্রে।

খুরাই কেন্দ্র দিভলপমেন্ট কম্মিটিনা শীন্দুনা পোং লম্বী অমুক হন্না হাঙদোকপগী থৌরম অমা কোংপাল কোঙখাম লৈকায় জেনিমসকী গেট নম্বর থ্রি মনাক্তা পাঙথোকখিবা অদুদা চীফ গেষ্টকী ৱারোল পীরদুনা এম এল এ সুসিন্দ্রোনা হায়খি, খুরাই কেন্দ্রগী মনুংদা লৈবা পোং লম্বী অসি কোংগ্রেস লৈঙাক্কী মতমদা কুমজা ২০১০ দা থিংজিনখিবনি। লম্বী অসি থিংজিনবদা পোলিটিকেলগী খুৎ য়াওই হায়বগী চিংনবা লৈ। হোস্পিটাল অমসুং য়ুনিভর্সিটিটিশিং অসি ইন্টররোদ কন্নেক্তিভিটি থম্বা য়াদে হায়বা নিয়ম লৈ অদুবু খোঙ লম্বী অমদি পীবা য়াই। জেনিমস অসি খুরাই এ সীগী মনুংদা লৈবা হোস্পিটাল অমনি। এ সী অসিগী মীওইশিংনা ইমর্জেন্সি ওইনা অনা লায়েংবগী চঙফম লম্বী অমা পীবা হায়বসি তঙায়ফদে হায়বা পান্দম অসিদা লম্বী অসি অমুক হন্না হাঙদোকপনি।

পোং লম্বী অসি থিংজিনখিবা মরম্না লম্বী অসিদা লৈরিবা মীওইশিংনা চহী তরেৎ হেন্না অৱাবা মায়োক্নদুনা লাক্লি। অদুবু চীফ মিনিষ্টর এন বিরেনগী মীৎয়েং মখাদা ঙসি লম্বী অসি হাঙদোক্লিবা অসিনা মীয়াম্না অনা লায়েংগী মতমদা মায়োক্নরম্বা অৱাবশিং অদু কোক্লগনি হায়খি।

জেনিমসকা ফাওনরিবা পোং লম্বী অসি থিংজিল্লম্বা মরম্না লম্বী অসিদা এনক্রোচরশিংনা লম খোপচিল্লক্তুনা লম্বী অসি পীকশিল্লকখি। পোং লম্বী অসি ফাৎতোক্কে হায়রবদি ফুট পাথ অমা পীরগা গাড়ী পার্ক তৌনবা মফম পীদ্রবদি ফাৎতোক্লোই হায়বদগী লম্বী অসি পোং লম্বী দিভলপমেন্ট কম্মিটিগা লোয়ননা পাকথোক চাউথোকহনবনি। পোং লম্বী অসিদা লৈরিবা মীওইশিংনা ঙসি হাঙদোক্লিবা লম্বী অসি অমুক হন্না থিংজিনখিদনবা হোৎনবা মথৌ তাই।

মায়কৈ অসোমদা মখল মখা কয়াগী ময়াই কাবা চীঞ্জাক য়োল্লিবশিংনা শীনফম অদু হোংদোক্লবা হোৎনবীয়ু। শীনফম ...মখা লামায় ৩ কলম ২

পি এম এ ৱাই-জি পায়খৎপদা তপথবা লৈতে : টি ঐচ বিশ্বজিৎ

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ২৪ (ঐচএনএস) : প্রধান মন্ত্রি অৱাজ যোজনা-গ্রামিন (পি এম এ ৱাই) গী বেনিফি-সরিশিংদা অহানবা ইন্সটোলমেন্টকী শেনফমশিং দাইরেক্ট বিনিফিট ত্রান্সফর (দি বি টি) গী খুথাংদা পীবা হৌরগনি হায়না রুরেল দিভলপমেন্ট এন্দ পঞ্চায়েটি রাজগী মিনিষ্টর থোঙাম বিশ্বজিৎনা ফোঙদোকখ্রে।

সঞ্জেনথোংদা লৈবা মিনিষ্টর মশাগী ওফিসিএল ক্বার্টরদা পাঙথোকখিবা পাউগী মীফম অমদা আর দি এন্দ পি আরগী মিনিষ্টর থোঙাম বিশ্বজিৎনা হায়খি, কুমজা ২০১৬-১৭কী ওইনা পি এম এ ৱাই-জিগী বেনিফিসরি মশীং অসি ৯৭৪০নি। হায়রিবা বেনিফিসরিশিং অসিগী মনুংদা চাদা ৭০ রোমদি চৎলিবা থা অসি লোইদ্রিঙৈগী মমাঙদা অহানবা ইন্সটোলমেন্টকী শেনফমশিং ফংহল্লগনি। অদুগা ৱাৎহৌরিবশিং অদুনা ওক্টোবর থাগী অনীশুবা চয়োল ফাওবগী মনুংদা অহানবা ইন্সটোলমেন্টকী শেনফম অদু ফংহন্নবা হোৎনগনি।

তোঙানা তোঙানবা ষ্টেটশিংদা লৈরিবা মীয়াম্না কুমজা ২০১৬তগী স্কিম অসিগী কান্নবা ফংখ্রবসু ষ্টেট অসিদদি ফংদনা লাকখিবনি। অদুবু বি জে পিগী লৈঙাক লাক্লবা মতুংদা লমদমসিগী মীয়ামদা স্কিম অসিগী কান্নবা ফংহন্নবা হন্দক্তা য়ুনিয়ন মিনিষ্টর য়াওনা পাঙথোকখিবা থৌরমদা ...মখা লামায় ৩ কলম ৪

অস! লোইরেহে!

হন্দক্তি পান্থোমসি চাউরেহে...!



নখোয় উবদা মীরেপশিংদুদি লৱাই পায়রল্লনি, ঈকায় খঙখিদ্রেদা...!

আর পি এফকী প্রসিদেন্টনা মীয়ামদা পাউজেল পীরক্লি

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ২৪ : রেভল্যুসনরি পিপলস ফ্রন্ট (আর পি এফ)কী লাম্মী শঙলূপ পি এল এগী মপোক কুমওন থৌরমগা মরী লৈননা ফ্রন্ট অসিগী প্রসিদেন্ট ইরেংবম চাউরেলনা মণিপুরগী মীয়ামদা য়াইফ পাউজেল পীরক্লি।

পি এল এগী ৩৯লকশুবা মপোক কুমওন থৌরমগা মরী লৈননা লূপ অসিগী প্রসিদেন্ট মশানা খুৎয়েক পীদুনা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়, মীয়ামগী য়াওল ঈহৌদা থৱায়না পোন্থা পীখ্রবা অথৌবা-অথৌবীশিংগী মফমদসু অমুক্কা হন্না য়াওলগী ইকায়খুম্নবা পীজরি।

মণিপুরনা মনীং-মখা তম্না, কনাগীসু মখা পোন্দনা চহী চা কয়াগী মমাঙদগী নিংথৌ পানবা লৈবাক অমা ওইনা লৈজরকই হায়বসি ফুঙ্গা ৱারী নৎতে। মশাগী লোল, ময়েক, লাইনিং-লীচৎ অমদি তোপ তোপ্পা খুন্নাইগী শক্তমগা লোয়ননা মনীংতম্বা ঙমখৈ অমগী মনুংদা লৈঙাক ৱায়েল পরিং চুম্না চৎথদুনা মশক নাইবা খুন্নাই অমা ওইদুনা লাকখি হায়বসিসু পংহায় হায়জিনবা নৎতে হায়রি।

চেরোল অসিনা মখা তানা হায়, য়ূমথংনবা অৱা, হৌজিক্লা ম্যান্মার কৌরবা লৈবাক অসিগী কোনুং ফাওবা য়ৌনা লান্দাদুনা কাউংমুদো পেগোদা থোংজিন্দা থাঙফম ৭ থল্লমদুনা মণিপুরগী মতিক উৎলম্বা ঐখোয়গী ইপা-ইপুশিংগী লানঙম ৱারীশিং শেমজিন-শাজিনবা ৱারীশিং নৎতে। লোইলম লৈঙাক শন্দোকপা লাকপা বৃটিশ লাম্নীশিংগা শোক্লখিবা খোংজোমগী লান উহৌদে হায়দুনা ঐখোয়না থাজদে হায়বা য়ারোই। অদুবু পূম্নমক অসি ঙসিদি ইন্দিয়াগী ডিমোক্রেসি লৈঙাক্লা কুয়োম নাইনা য়োমশিনখিবদগী মণিপুর খুন্নাইগী শক্তম মশেন-মরাং উরক্তুনা ঐখোয় অসি করম্বা ফুরুপনো হায়বা ফাওবা নীংশিংনদবগুম তৌরক্লি।

চহী লীশিং অনীগী মমাঙদগী চীংমী-তম্মী অনীগী লীপুননা অমতা ওইনা শেম্লকখিবা খুন্নাই অসি থেংখাং কয়াদা মপানগী পাঙ্গল্লবা লৈবাকশিংনা অকনবা শাফু কয়া পীদুনা লাকখ্রবসু মণিপুরনা মায়োক্লবা লানফম কয়াদা লৈবাক্কী নীংতম্বা ঙমখৈবু ঙাক্তুনা লাকখি হায়রি।

চেরোল অসিনা হায়, মতম খরা ম্যান্মারনা খুদুম চন্দুনা থম্লুরবসু, ১৮২৬ কী ‘য়ান্দাবু ট্রিটী’ না মণিপুরগী নীংতম্ববু অমুক হঞ্জিনহল্লকখি। চহী খরা মরুপ-মপাং ওইবা মওংদা লৈমিন্নরকখিবা বৃটিশনা, মণিপুরবু ফম্বা চল্লগা হিপ্পা চল্লি হায়বা লমলৌগী...মখা লামায় ৩ কলম ৬

LOAN AVAILABLE

[illegible]

মখল খুদিংগী অপাম্বা 2 , 3 and 4 Wheelers Loan
Service Loan
Pension Loan
Gold Mortgage
T.V./Laptop/A.C./Refrigerator Loan
হায়রিবা শিং অসি অরইবা মওংদা অমসুং খুদক্তা লৌবগী খুদোংচাবা পীজরি ।

100% Free Processing (Vehicle Only)

AREA COVERED:
Imphal East
Imphal West
Bishnupur

IMPHAL FINANCE CO-OP. THRIFT AND CREDIT SOCIETY LTD.
H.O. Lokleobung B.O.:- M.G. Avenue, Paona International Market & Bishnupur Bazar
Please log on http://www.imphalfinancesociety.in

HL-P/2145/26/8-26/9

ঈ-পাঙ্জা মরী লৈনবশিংগী টেলিফোন নম্বর ০৩৮৫-২৪৪৫১০৬, এদভর্টিজমেন্টগীদমক ০৩৮৫-২৪৪০৭৭১,২৪৪৫১০৪ অমসুং রিদরস ক্যের নম্বর +৯১-(০)-৯৭৭৪৮০৩১৪৫